# এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা ৱর্দর ব্রিমেনবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ১১শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে



বর্লিন, জুন ০৪ (এজেন্সী):

জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বুন্দেসলীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা ৱর্দর ব্রিমেনবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ১১শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি বর্লিনদা লৈবা ৱোনিনভেষ্ট ৱেজর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ২৯শুবা রাউন্দগী অরোইবা মেচতা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট অমসুং ৱর্দর ব্রিমেন লম্বা তৌনখিবনি।

ৱর্দর ব্রিমেনগী টিম ক্লব ১৮না লম্বা তৌনখিবা বুন্দেসলিগাগী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২৫ ফংলগা ১৭শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অমরোমদা টিম অসিগা লম্বা তৌনখিবা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট পোইন্ট ৩২ ফংলগা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ৱর্দর ব্রিমেন অমদি এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরকপদগী মিনট ৪৫গী মতম অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ হেনজিল্লক্লবা মেচকী ওইনা ৬১শুবা মিনটতা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী ফিলিপ কোষ্টিকনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এন্দ্রি সিলভানা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

বোল হেন্না পায়বা ঙল্লবা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা চথরকপা এটেকশিং অদু ৱর্দর ব্রিমেনগী শান্নরোয়শিংনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি।

শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমদা ৱর্দর ব্রিমেনগী দিফেন্স লাইন লান্থোক্তুনা বাস দোষ্টনা খাইদোরকপা বোল অদু টিমমেট ষ্টিফান ইলসনকরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু ২-০দা টিম অদুনা ৱর্দর ব্রিমেনবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা ৱর্দর ব্রিমেনগী শান্নরোয়শিং ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদে। তাঞ্জা অদুদা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী জনাথন দি গুজমাননা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবা ষ্টেফাননা ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 29 | 21 | 4 | 4 | 86 | 28 | 58 | 67 |
| 2 | Borussia Dortmund | 29 | 18 | 6 | 5 | 80 | 35 | 45 | 60 |
| 3 | Borussia Mönchen | 29 | 17 | 5 | 7 | 57 | 35 | 22 | 56 |
| 4 | Bayer Leverkusen | 29 | 17 | 5 | 7 | 54 | 36 | 18 | 56 |
| 5 | RasenBallsport Leipzig | 28 | 15 | 10 | 3 | 70 | 29 | 41 | 55 |
| 6 | Wolfsburg | 29 | 11 | 9 | 9 | 41 | 36 | 5 | 42 |
| 7 | Hoffenheim | 29 | 12 | 6 | 11 | 40 | 48 | -8 | 42 |
| 8 | Freiburg | 29 | 10 | 8 | 11 | 38 | 41 | -3 | 38 |
| 9 | Hertha BSC | 29 | 10 | 8 | 11 | 43 | 50 | -7 | 38 |
| 10 | Schalke 04 | 29 | 9 | 10 | 10 | 34 | 46 | -12 | 37 |
| 11 | Eintracht Frankfurt | 29 | 10 | 5 | 14 | 49 | 53 | -7 | 35 |
| 12 | 1. FC Köln | 29 | 10 | 4 | 15 | 46 | 56 | -10 | 34 |
| 13 | Augsburg | 29 | 8 | 7 | 14 | 40 | 56 | -16 | 31 |
| 14 | 1. FC Union Berlin | 29 | 9 | 4 | 16 | 34 | 52 | -18 | 31 |
| 15 | Mainz 05 | 29 | 8 | 4 | 17 | 37 | 62 | -25 | 28 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 29 | 6 | 9 | 14 | 31 | 58 | -27 | 27 |
| 17 | Werder Bremen | 29 | 6 | 7 | 16 | 30 | 62 | -32 | 25 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 29 | 4 | 7 | 18 | 32 | 61 | -29 | 19 |

# ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল কম্পিটিসনশিং ওক্টোবর থাদগী মখা তানা পাঙথোক্লবা হোৎনরি : বত্র



ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লোকদাউন লৈখিবদগী পন্দুনা লৈরকখিবা অদুগুম্না ইন্দিয়াদসু লৈরিবা ফীভম অসি মখা তানা ফগৎলক্লবদি চহী অসিগী ওক্টোবর থাদগী লৈবাক অসিগী ওইবা নেসনল কম্পিটিসনশিং পাঙথোকপা য়ানবা শীল্লি হায়খ্রে।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মমাঙদা পাঙথোক্কনি হায়না লেপখিবা মতমশিং অদু কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা পাঙথোকপা য়াদনা লৈখিবনি।

থা অনী হেন্না লোকদাউন লৈরুরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাইদ ওইখিবা শান্নরোয়শিং অমদি নৌনা ওলিম্পিক অসিদা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং চথবা য়াবগী খুদোংচাবা পীদুনা লৈঙাক্কী কাঙলোনগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিং অসি ত্রেনিং চথবা য়াহনবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা বোক্সিং অমদি রেষ্টলিংগুম্বা কোন্ত্রেক্ট স্পোর্টসশিংগী ওইনা অথিংবা খরা থল্লবসু অতোপ্পা মশান্নশিংগী ওইবা ত্রেনিং অমদি কম্পিটিসনশিং অদু চহী অসিগী ওক্টোর থাদগী পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি।

হায়রিবা পান্দম অসি কোভিদ-১৯ লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা নত্তনা ভেক্সিন পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা থবক থৌরমশিং অসি পায়খৎপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরকপনি।

কোভিদ-১৯না মীয়ামদা শন্দাকপগী চাং অসি য়াম্না লায়না অমদি থুনা ঙস্বগী ফীভম লৈবনা শান্নবগী লম্দা ওইরবসু শান্নরোয়শিং মশেল মশা শোক্লবা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা অথিংবা খরা থম্বা য়ানা লৈরি।

কোন্ত্রেক্ট স্পোর্টস নত্তনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎসি থিংনবা হোৎনবদা মালেম শীনবা থুংনা পায়খৎলিবা ভেক্সিন অমদি লায়না অসি ফহন্নবা হীদাক পুথোক্ত্রিফাওবদি কোন্ত্রেক্ট স্পোর্টস অসি মতম খরা থেংথনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

চহী অসিগী ওক্টোবর থাগী মাঙওইননা করিগুম্বা ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা ফর্মশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি মায় পাক্লবদি শান্নবগী দিসিপ্লিন পূম্নমক হান্না চথরম্বা ত্রেনিং অমদি কম্পিটিসনশিং অদুমক মখা চথবা য়াহনগনি হায়রি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিন্দা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ১৭তা লাউথোকখিবা অনৌবা কাঙলোনগী মতুংইন্না ষ্টেদিয়ম অমদি অতোপ্পা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং অমদি প্রেক্টিশ তৌবা য়াহল্লকখিবা অদুদা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

মার্চ ২৫দগী হৌরগা লৈবাক অসিদা থমখিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা টোকি ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিং মখোয় মখোয়না লৈরিবা ত্রেনিং সেন্টর অদুগী কাদগী হেন্দোক্তনা ফিল্ডদা চঙবগী অথিংবা লৈবনা য়াম্না ৱানা মশাগী শাজেল তৌদুনা লৈরকখিবা অদু কোমথোরকপনা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কোন্টেক্ট স্পোর্টস ওইরিবা বোক্সিং অমদি রেষ্টলিং মশান্না অসিগী ওইনদি মখা তানা অথিংবা খরা লৈরি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না কোন্ত্রেক্ট স্পোর্টসকী শান্নরোয়শিংনা মশা মথন্তা ত্রেনিং অমদি শাজেল তৌবা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীখি।

হায়রিবা দিসিপ্লিন অনী অসিদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং চথবা মতমদা অতোপ্পা পার্টনর অমগা শাজেল তৌমিন্নবা অমদি প্রেক্টি তৌবা য়ারোই হায়রি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্কী লোকদাউনগী শরুক খরা কোমথোরকপনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংনা ফিল্ডদা থোক্লগা ত্রেনিং চথবা য়ারবসু শান্নরোয়শিং অসিনা মখোয়গী হান্নদগী লৈখিবা ষ্টেন্দর্দ অদু য়ৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা থা অনী/অহুমলোম চঙখিগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা দিসিপ্লিন খুদিংমক্কী কোচশিংনা শান্নরোয়শিং অসিবু কুপ্পা য়েংশিন্দা মখোয়না মখা তানা কম্পিটিসন শরুক য়ারকপদা মতিক চাবা টাঙ্কক অমদা থম্নবা হোৎনহনবা তঙাইফদে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিং ফিল্ডদা ত্রেনিং তৌবা হৌখ্রে

বেঙ্গালুরু, জুন ০৪ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ লোকদাউনগী গাইদলাইনগী কোমথোরকখ্রবা মতুংদা ফিল্ড ত্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা শান্নরোয়শিংনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থা অনী হেন্না লোকদাউন লৈখ্রবা মতুং ত্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়েথোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চপ মান্নবা ওলিম্পিক গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিংনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ত্রেনিং হৌখ্রে।

লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোন পূম্নমক ঙাক্তুনা বেঙ্গালুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কেম্পসতা নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিং হৌখিবনি হায়না ঙরাং অথেংবদা হোকি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিং অমদি মদুগা মরী লৈনবা ষ্টাফশিংগী হকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অমত্তা ত্রেনিং সেন্টর অদুদা চঙহন্দনা শান্নরোয়শিং, কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী ওইবা থবক পায়খৎপা হৌখিবনি।

শান্নরোয়শিং অদুনা প্রেক্টিশ তৌগদৌরিবা সিন্থেটিক টর্ফ অদু নুমিৎ খুদিংগী ত্রেনিং তৌদ্রিঙৈ পুং অমা ৱাৎলিঙৈদা দিসইনফেক্ট তৌদুনা থল্লি। লোয়ননা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ত্রেনিং সেন্টর চঙলমদাইদা থর্মেল স্ক্রিনিং তৌদুনা লৈঙাক্কী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোন ঙাক্লা থল্লি।

ত্রেনিং সেন্টর অদুদা শান্নরোয়শিংনা ইন্দিভিজুএল ওইনা হোকিগী বেসিক ত্রেনিং তৌরি। অদুগা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্না শান্নরোয় অমগা অমগা নকশিন্ননা ত্রেনিং চথদনা কাঙলোন ঙাক্লি।

শান্নরোয়শিং অসিনা লোকদাউনগী মমাঙদা লৈখিবা ত্রেনিংগী মওং মতৌ অদু হঞ্জিন্নবগী মতম খরা ৱাৎলি। লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অসি ঙাক্লা ত্রেনিং তৌগদৌরিবনি। অথুবা মতমদা মপূং ফাবা টিমগী ওইবা ত্রেনিং পায়খৎপা ঙম্লগনি হায়না সাইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো ইন্দিভিজুএল ৱর্কআউট তৌনবা য়ৌরকখ্রে



রোম, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ফুটবোল মশান্নগী মমিং লৈরবা পোর্টুগলগী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী ক্লব ওইরিবা ইটলিগী জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবকী ওইনা কোভিদ-১৯ লোকদাউনগী মনুংদা লৈঙাক অদুনা কোমথোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিভিজুএল ৱর্কআউট তৌদুনা ত্রেনিং পাঙথোক্লনবা য়ৌরকখ্রে।

ইটলিগী স্পোর্টসকী মমিং লৈরবা ৱেবসাইট অমগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী নম্বর ৱান ফুটবোল ক্লব ওইরিবা জুবেন্টসকী ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা পোর্টুগল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো কোভিদ-১৯গী লোকদাউন খরা কোমথোকখ্রবা মতুং জুবেন্টস স্পোর্টস সিটিদা ইন্দিভিজুএল ত্রেনিং সেসন য়াওননবা পুং ৪ ঙন্না য়ৌরকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নবগী মনা ওইরিবা বেলোন দি'ওর মঙারক ফংবা ঙমখ্রবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা জুবেন্টস ফুটবোল ক্লব অদুগী শান্নরোয় অমা ওইনা ইটলিগী লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী ওইবা কাঙলোন খরা কোমথোরক্তুনা শান্নবগী লম্দা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা শান্নরোয়শিং ত্রেনিং অমদি মেচশিং শান্নবা য়াবগী কাঙলোন পীরকপগী মতুংইন্না জুবেন্টস স্পোর্টস সিটিদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা লোকদাউনগী পুং ৪ ৱাৎলিঙৈদা রোনাল্ডোনা রিগ্যুলর ইন্দিভিজুএল ৱর্কআউটকীদমক য়ৌরকখি।

নীংশিংবা য়াই, খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মশাগী ফিটনেস অদু লোকদাউন মনুংদা লৈখিবা ফীভম অদু হান্না লৈরম্বা অদু লৈব্রা হায়না চ্যেক তৌবা ফিটনেস লেভেলগী টেষ্ট অনী তৌখি। রিপোর্ট অসিনা মহাক হান্নগী ফীভমদা অদুমক লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

# ৱর্ল্ড এথলেটিক্সনা কোভিদ-১৯ লোকদাউন মতুংগী ওইবা চহী ৪গী প্লান লাউথোকখ্রে



পেরিস, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড এথলেটিক্স (ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন)গী মায়কৈদগী মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখ্রবা মতুং এথলেটিক্সকী ওইবা লোকদাউন লোইখ্রবা মতুং চৎনগদবা চহী মরিগী ওইবা ষ্ট্রেটেজিক প্লান অমা লাউথোকখ্রে।

ফ্রান্সকী মোনাকো সিটিদা লৈবা ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী হেদ ক্বার্টর অদু চয়োল অসিদা নৌনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন লৈরবা মতুং হাংদোকখিবগা লোয়ননা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী এথলেটিক্স ফেদরেসনগা ওনলাইনদা মীফম অহুল্লক পাঙথোক্লবা মতুং চহী মরিগী ওইবা অনৌবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী ষ্ট্রেটেজিক প্লান অদু লাউথোকখিবনি।

মালেমগী ওইবা লৈবাক ২১৪গী এথলেটিক্সকী মেম্বর ফেদরেসনশিংগা কৃপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী মতুংদা লাক্কদৌরিবা চহী ৪গী ওইবা অনৌবা ষ্ট্রেটেজিক প্লান অদু য়ানরবা মতুং লাউথোকখিবনি।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মমাঙদসু মশামক এথলেট অমা ওইরম্বা সেবেসিয়ন কোনা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ওনলাইনগী মীফমশিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মতুংইন্না চহী ৪গী ওইবা অনৌবা প্লান অসি অয়াবা ফংখিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শান্নবগী দিসিপ্লিন খুদিংমক্তা লৈরিবা শান্নরোয়শিংদা পীরিবা চৈথেং অদুগুম্না এথলেটশিংদসু চপ মান্ননা চৈথেং পীরি।

অথিংবা মরক অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মশা মশাগী ওইবা ৱারেপ লৌজদুনা ভাবক য়াওদবা ষ্টেদিয়মশিংদা মরু ওইনা ফুটবোল মশান্নগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা হৌনখ্রে। অদুবু অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংগী ওইবা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্টশিং লৈঙাকশিং অদুগী ওথোরিটি অমসুং মেদিকেলগী এক্সপর্টশিংগী অয়াবা য়াওদবা মরম্না পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি।

ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী ওইনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা ইন্টরনেসনলগী থাক নৎত্রবসু নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অমত্তা অয়াবা পীদনা লৈরি।

অদুবু ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী লাক্কদৌরিবা চহী মরি অসিগী ওইবা অনৌবা প্লান অমা শেমদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি অথুবা মতমদা লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেটশিংনা মখা তানা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবগী অচৌবা পান্দম অমা থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# ঈ পি এলগী ক্লব হোটস্পরগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

লন্দন, জুন ০৪ (এজেন্সী):

মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ক্লব অমা ওইরিবা টোটেনহাম হোটসপরগী মায়কৈদগী ক্লব অদুগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াই, ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী সেদ্যুল অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা থমখিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা থা অনী হেন্না শান্নবগী লম্ খুদিংমক্তা থমখিবা অথিংবা অদুগী মনুংদা ফুটবোল মশান্নসু য়াওখিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতুংদা থা অসিগী ১৭তা মখা তানা চথনবা হোৎনরকপা কাঙলোন লৈরিরঙৈদা লীগ অসিগী টিম অমা ওইরিবা টোটেনহাম হোটসপরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা টিম অসিগী মেম্বর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রকখিবগী মতুংইন্না টিম অসিগী মায়কৈদগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী পাঙথোক্কদৌরিবা মখা তাবা মেচশিংদা অপনবা অমা লৈরক্কদৌরি।

# বি সী সী আইনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অতোপ্পা লৈবাক্তা পাঙথোক্লবা শীল্লি : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী):

বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না চহী খুদিংগী লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা মালেমগী টি-২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভম লৈরকপনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা পাঙথোক্লবা খোঙথাং লৌখৎলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না শেল য়াম্না চঙবা অমদি মালেমগী ওইনা ক্রিকেট মশান্না অসিদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টি-২০ লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ২০২০ সিজন অসি ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভম অমা উরকপা অসিনা মরম ওইরগা বি সী সী আইনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা পাঙথোক্লনবা খন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০ সিজনগী ওইনা পাঙথোকপা য়াননবা লম্বেল থিরকপদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা য়াবগী মমি উরক্তবা মরম্না অতোপ্পা লৈবাক্তা শান্নবগী খোঙথাং লৌখৎলকখিবনি। বি সী সী আইগী ওইনা নৌনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টুর্নামেন্টশিং য়েথোক্লগা অতোপ্পা লৈবাক্তা পাঙথোকপগী ৱাফম অসি অনৌবা নত্তে। কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা অথিংবা লৈরকপা অদু কোমথোকপা খরা লৈরকপদগী ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা য়ারোইদবনা অতোপ্পা লৈবাক্তা মীৎয়েং থল্লকপনি।

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

**Manpower Requirements**

**Date of interview 10th June 2020 at 10:30am**

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -02:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| RaDiant Group Finance Dept. | Area Manager (AM) | 3-5 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 15K to 25K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Thoubal) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Kwakeithel) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| Arambai2020 | Digital Marketing Associate | 2-3 years exp. as an expertise in handling social media, Search Engine Marketing (SEM), Search Engine Optimization (SEO), sales and marketing and product sales strategy. | 1 | Graduate and above | 8K to 13K |
| Arambai2020 | Content Writer | 1-2 years exp.in professional content writing. | 1 | Graduate and above preferably English Honours | Negotiable |

HL-B/6196/4/6-3/6

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com